[illegible]

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ফেব্রুৱারী ২৪, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৩২২শুবা মশীং

# লৌরুংশঙ

## লোইনা শুদোক চামথোকপগী মথৌ তারব্রা

এসিয়ন হায়ৱে অমগী থাক য়ৌনা শেমগৎলক্লিবা ইম্ফাল-মোরে লম্বী (নেসনল হায়ৱে-১০২) পাকথোক চাওথোরকপদা শুংশোক শোক্তবা মফম অমগী পাট্টাদা শেমদোক-শেমজিন তৌরগা কম্পেন্সেসন লৌথোক্লম্বদা চেন্নবা লৌরুংশঙদা থবক তৌরম্বদগী পোথারবা মীওই অমগা য়োন্থোকখ্রবা লমদুগী হান্না পাট্টাদার ওইরম্বা অমগা পুলিসনা ফাগৎখ্রে। মখোয় অনীদু লৌরুংশঙগী ওফিসল অমনা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাবনি। মশ্বাই ফাওবদা লৈরিবা ফীভমসিদদি মীয়ামগী লৌ অমসুং ইঙ্খোলশিংগা হকথেংননা মরী লৈনরিবা লৌরুংশঙগী রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা লৈরিবা ষ্টাফ পূম্নমক মরাল লৈরে হায়রুবদি য়াদ্রি। অচুম্বা-অশেংবা তৌবা, তৌনীংবা; অরানবা য়াদবা ওফিসলসু য়াওরি হায়বা তাকই। ফারবা মীওই অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা ফেব্রুৱারী ১৫, ২০২৩দা পাউমীশিংগী মমাঙদা পুথোকখিবনি। মখোয় অনীনা লৌতুনরগা তৌরম্বা হুরানবা থবকশিং শিৎ-নান্না ফোঙদোকখিবনি। মরম অসিনা মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি লৌরুংশঙদা থবক তৌরিববু ওইরো, পোথাখ্রববু ওইরো মখোয় চেন্নবগী থৌদোকসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। মমাঙ চহীদা ৱাইথৌগী এরিয়া খরদা এনক্রোচরশিংনি হায়দুনা তকথোকখ্রিবশিংদুগী মরক্তগী খরদা ফোরেষ্টকী লমদা পাট্টা পীশিল্লম্লে হায়দুনা ফাগৎপা, জেলদা থাজিনখিবা, থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। মদুগী মখা তারকপদা লৌরুংশঙগী ষ্টাফশিং চেন্নবা থৌদোক খরসু লৈখ্রে। থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিদগী থোরক্লিবা ৱাফমদি মণিপুরগী মীয়াম্না লৌরুংশঙ হায়দুনা খঙনরক্লিবা লোয়শঙসি শেঙ্গা থুমজা, হুরান-লোঞ্জানবা কয়াগী তৌফম মকোল ওইরব্রা? পূন্না শুদোক চামথোকপগী তঙাইফদবা লৈরবা লোয়শঙ অমা ওইরব্রা হায়বসিনি।

ৱাহংশিংসি থোরক্লে হায়দুনা লোয়শঙসিবু হেক্তা লান্না লৌববুদি চুল্লোই। অদুবু মীওইবা অমনা খ্বাইদগী হকচিন্না লৌবা পোৎলমশিংগী মনুংদা লৌ-ইঙ্খোল হায়বসিসু অমা ওইরিবনি। মসিমক্লা শোক্লু-পল্লুবা য়াদবশিংগী মনুংদা 'লৌরি শিংজ াগী কা' হায়নরক্লিবনি। অদুবু লৌ নৎত্রগা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা দিমার্কেসন, পাট্টা শেৎতোক্লবা, পাট্টাদারগী মমিং ওন্থোক-ওনশিন তৌনবা অমদি জমাবন্দিদগী ককথোক ককশিন তৌবনচিংবগী থবকশিং য়াওনা মথৌ তাবশিং পাঙথোক্লরকপদা লন্নাই মীওইশিংনা লোয়শঙগী তঙাইফদবা প্রোসিজর নত্তবদা অহেনবা শেল অমসুং মতম চঙবদগী ৱারৌনবা য়াওরক্লব্রা হায়বসিসু চিবোন চিবোন হংনরক্লিবা ৱাহং ওইরক্লিবনি। মশোমদা লোইনা চৎলে হায়রগদি লৌরুংশঙগী ষ্টাফশিংদা লৈঙাক্লা পীরিবা তোলোপসিনা করিগী ওইফম থোকপগে? পূম্নমকসিগী মথক্তা হৌজিক্তি লৌবুক কন্ননবা এক্ট অমা চৎনবা হৌরক্লবনিনা লৌবুক্তগী ইঙ্খোল অমসুং অতে থবক থৌরমশিংগীদমক ওন্থোক্লিংবা মীওইশিংনা হিয়াংথাং লাইরেম্বী খুরুম্নবা থোমজিন্নরকপগুম পৌ নমদেদা খাক্লিবনি। মরম অসিনা পাট্টা শেমদোক-শেমজিন তৌবা, ফোরেষ্টকী লমদা পীশিল্লম্বা, হায়ৱেগী লম্বী পাকথোরকপদা শোক্তবা মফমবু শোকই হায়দুনা কম্পেন্সেসন লৌথোক্লম্বনিনা মণিপুর কঞ্জর্ভেসন ওফ পেদ্দিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট, ২০১৪না পীবা প্রোভিজনশিংগী ৱাংমদা লৌবুক্তগী ইঙ্খোল য়াওনা অতোপ্পা ক্লাসতা ওন্থোরকপদসু অরান-অহুই য়াওরক্লোই হায়বা ঙমদে। তৌরে হায়বা নত্তে, তৌরক্কদ্রা হায়বনি, তৌহন্নীংদে। রুলগী মতুংইন্না মরম চাবা অচুম্বা, তৌফম থোকপশিং অদুতমক তৌহন্নীংই হায়বনি। হৌজিক লোয়শঙসিদা মীয়াম্না য়েংনরক্লিবা ফজদবা মীৎয়েংসিগী মহুত্তা ফজবনা মহুৎ শিলহন্নবা মথৌ তাবা থবকশিং তৌরকউ হায়বনি।

[illegible]

# "চহী য়াঙ্খৈ-থবক য়াঙ্খৈ, চহী হুম্ফু-থবক হুম্ফু, ওন্থোক্লা চুল্লমখ্রে"

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ইপা-ইপুশিংনা - "চহী য়াঙ্খৈ-থবক য়াঙ্খৈ, চহী হুম্ফু-থবক হুম্ফু" হায়দুনা থন্বীরম্বা পাউরৌসি ওন্থোক্লা চুল্লমখ্রে। চহী নৌরিঙৈ, য়ূম-কৈ পান্দ্রিঙৈ, নহা ওইরিঙৈ মতমদদি, ইশানা ইশাগী থবক খক্তমক তৌজরম্মী। মতমদুদা থবক চিনবগী ৱাফম লৈরমদে অদুগা থবকশিংগী মশীংসু য়াল্লমদে অমসুং অয়াম্বনা ইশা ইথন্তগী থবকশিং ঙাক্তা ওইনসু তৌরম্মী। মরমসিননি ইশা ইথন্তনা তৌজবদা থোইনা চিনবা খঙলমদ্রিবসি। মথংদা য়ূম-কৈ পাল্লক্লে, য়ূম হেক পাল্লকঙৈদগীদি ঐনা তৌগদবা থবকশিংদু ইশাগী থবকশিং খক্তা ওইরক্রে, ঐগী অমসুং ঐগী নুপীগী থবকশিংসু পুল্লক্লে, অদুগা চিনবসু হৌগৎলক্লে। মদুদগী তোঙান হেক চা-ঙৈদগীদি, লৈকায়গী শীংলুপ্তা ঐগী মিংদা য়ূমকোক অমা হেঙ্গৎখ্রে। পীক্লসু পীক্লা ঐগী ইমুংদু লৈকায়গী থৌদোক-ৱাথোকশিংগী চেবাউশিং য়েল্লকপদা ঐগী মিংদা চেবাউ মশীং অমা হেঙ্গৎলকপা হৌরে। অদুদগীদি য়ূম পাল্লবনিনা ঐগীসু ইচাশিং, অমদগী অনী, অনীদগী অহুম, ইচা অহুম-মরিগী থবকশিং অমুক্কসু নৌনা ঐঙোন্দা হাপচিল্লকপা হৌরক্লে। ফীভমসি য়ৌরকপদদি ঐ ফনা ফজনা থবক চিনবা মশক খঙলক্লে অমসুং থবক চিনবা মীশক অমা হায়বদু ঐ চপ চানা ওইরক্লে। মীমাঙদা-কাসু "থবক চিনমনবদগী ঙমহৌদ্রে, থবক য়াম্মনখিবনা নীংশিংহৌদ্রে" হায়বনচিংবা য়ূম পান্দ্রিঙৈ, পাখঙ ওইরিঙৈদা নোংমতা পল্লক্তবা ৱাহে-ৱাত্তাশিং কাসি, ঐসু মথং মথং শীজিন্নবা হৌগৎলকই। মসিদগীদি খঙহৌদে, থবক চিনবগী চাং নোংম-নোংমগী তশেংনা হেঙ্গৎলকই। নোংমতসু লেঙদনা য়ূমদা লৈদুনা ঙসি নোংমসিমদি নিংথিনা পোত্থারে-হে হায়বা নুমিৎতুমা পুন্সিসিদা খঙলকখিদ্রবনি হায়বা ফাওবা য়াই। মসিদনি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংদুনা হায়বীরম্বা, "নহা ওইরিঙৈ, চহী য়ামদ্রিঙৈ মতমদদি ইশানা তৌগদবা থবকশিংগী মশীং য়াল্লমদে, ইশাগী চহীনা য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না ইশানা তৌগদবা থবকশিংগী মশীংসু শাথীনা হেঙ্গৎলকই" হায়বীরম্বা ৱাফমশিং অচুম্বনি হায়রিবসি। অসুম্না চহী খুদিংগী থবক য়াম্বা হেঙ্গৎলকই। ইচাগী মতুংদা অমুক্কসু ইশুশিংগী ৱাফমসু লৈরিবনি।

থায়নগী মতমদা ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা তাল্লল্লিবা নোলেজশিংসি অঙকপনি। মখোয়গী মতমদা লাইরিক তম্বা হায়বসি লৈরম্বসু নৎত্রি। মরমসিনা মতমদুদা মখোয়দি লাইরিক হৈবা মীওইশিংসু অমত্তা ওইরম্বা নত্তে। মখোয়না মতৌ করম্না মীওইবগী পুন্সিদা, "চহী য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না মীওইবনা তৌগদবা থবক্কী মশীংসু শোয়দনা য়াম্বা হেঙ্গৎলকই" হায়বা ৱাফমসি তুংদা হৌরক্কদবা মচা-মশুশিংগীদমক খন্দুনা, মাঙজৌননা হায়দোক্তুনা থন্বীরম্বনো? ৱাফমসি খল্লুবদা ঙক্তবা ঙমদে। করিগুম্বদা মখোয়না পোৎশক অমগী মরমদা নোলেজ তানগে হায়রবদি পোৎশক্তু মশানা হকথেংননা লোয়নরুরগা নোজেল তাল্লকপা অমা নৎত্রগনা পোৎশক্তুগী মরমদা তশেংনা হান্না নোলেজ ফজনা লৈরে খঙবা মীশক অমগী মনাক্তা চৎতুনা ৱারী-ৱাতায় শারুরগা তাল্লকপা অমা, অনীসিদগী অমা শোয়দনা ওইগনি। শুপ্নগী থৌদৌ অনীসি খক্তদগী হেন্না মখোয়গী নোলেজ তান্নবা অতোপ্পা লম্বীশিং লৈরমদে। হৌজিক্তা ঐখোয়না তানবা য়ারিবা নোলেজশিংদি ওন্থোক্লা লায়বা মওংশিংদা ঙাক্তনি। নোলেজ তান্নীংলিবা পোৎশক্তুগী মরমদা ইবা লাইরিক অমখক থিরুরগা, শুপ্নগী লাইরিক্তু খক পাদুনা ঐখোয়না পোৎশক্তুগী মরমদা ইরায় লায়না নোলেজ তানবা ঙম্মী। হৌজিক্কান্দি অমুক্কসু হেন্না শম্বা মওংদা খুদক-খুদক্তা তান্নীংবা নোলেজশিং তানবা য়াবা লম্বী কয়ামুকসু লৈরে। থৌদৌসিগীদমক হায়রগদি লাইরিক ইবা পাববু থোকহৌরবদি খুদক্তা শুপ্নগী এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোন অমখক ইশাগী ফুরিৎখাওদগী শত্তোল্লগা য়ুট্যুবতা সর্স তৌদুনা য়েংবদা তান্নীংবা নোলেজ পূম্নমক খুদক্তা অমত্তা ৱাত্তনা হেক্তা তানবা য়াই। ফীভমসি লৈত্রিঙৈদা ঐখোয়গী মমাঙঙৈগী অহল লমনশিংনা তুংদা হৌরক্কদৌবা লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদু পূক্নিংসিদা অসুক্কী মতিক নুংশিবা ফাওরকই। মখোয়না থন্বীরম্বা পাউরৌ নৎত্রগা ৱাফম, চহী য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না থবক য়ামখৎলকই হায়বা ৱাফমসি, ঙসি ইশানা হকথেংননা থেংনরক্লবা তুংসিদা অসুক্কী মতিক চুল্লবা ৱাফম ওইরম্মী। ঐখোয়গী মমাঙঙৈগী অহল-লমনশিংসি তশেংনা অসুক্কী মতিক মাঙজৌননা শিংলম্বা জাৎনি। হৌজিক্কী মতমগী লোজিক্কা মরী লৈননা হায়রগসু মখোয়না থন্বীরম্বা পাউরৌ অমদি ৱাফম খুদিংমকসি পূম্নমক চুমদুনা লৈরম্মী। ফীভমসিদবু ঐখোয়না ঐখোয়গী মতম অমগী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংসিবু মতৌ করম্না তরাই তরাইনা কাউথোকপা ঙমগদৌরি? তাইবঙ মীওইবনা চহী য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না ৱাখল লৌশিং হেন্না মপূং ফাবা হেঙ্গৎলকই অমসুং ৱাখল লৌশিং মপূং ফাবা হেঙ্গৎলকপদা নত্তনা চহী নৌরিবা নহাশিংদদি পাঙ্গলগী চাংসু হেন্না হেন্না মপূং ফাগৎলক্লিবনি। মীওইবনা ৱাখল লৌশিং মপূং ফাবা হেঙ্গৎলকপা অমসুং পাঙ্গল মপূং ফাবা হেনগৎলকপগী মতুংইন্না হান্না তৌরম্বা থবকশিংদগী হেঙ্গৎনা তৌরকপা হায়বসিসু মহৌশানা অদুম্মক তৌরকফম থোকপা অমনি। মতমসিদা হান্না শুবা ঙল্লম্বা থবক্কী চাংদগী হেঙ্গৎনা শুবসু ঙল্লকই। মসিসু মশানা অদুম্মক তারকপনি। লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুনা হায়বীরম্বা চহীবু য়ামখৎলক্লবদি ঐখোয়সি ইশানা তৌগে খনবা থবক্কী চাংদুদগী শোয়দনমক্কী হেন্না ঙল্লক্কনি অমসুং তৌরুদ্রগসু তৌফম থোকপা থবক্কী চাংদি হেঙ্গৎলক্কনি হায়বসিসু ওন্থোক্লা চুমখ্রবা ৱাফমনি। মতাংসিদা অইবনা হায়নীংলিবসি, মতম অমগী ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংদুনা থন্বীরম্বা চহী য়াঙ্খৈদা থবক য়াঙ্খৈ, চহী হুম্ফুদা থবক হুম্ফু হায়বা ৱাফমসি ঐখোয়না ঙম্নবা পাঙথোক্লগা পুন্সি লন্বীদা মায় পাক্লা চৎপা মীওইশিং হায়বদু ঐখোয় ওইবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফমসিনি। ৱাফমসিবু ঙাক্লা চৎপা ঙল্লবদি ঐখোয় কৈদৌঙৈদা খক পুন্সিদা মায়থীবা মীশক অমা হায়বদুদি ওইররোই খল্লি।

ঐখোয়না, লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী থৌজালগী ঈপাকথক্তা তাউজবা ফংজবা, হিংলিবা পুন্সি মচেৎসিনা মখোয়না থিংবীরম্বা পলনুংদগী খক হেন্দোকচদবা, মখোয়না য়াৎপীরম্বা লৌরি-য়ূম্ফমশিংগী কাদগী খোঙকাপ কাজাউ অমা ফাওবা হুন্দুনা কান্থোকচদবা, পীবিহন্নীংই ঙসিমক তাইবঙ মপুনা ঐখোয়দা থৌজাল। পূম্নমকসি ঙাক্লা চৎপা ঙম্নবা ঐখোয় ইশা ইশানসু হোৎনফমদি থোকই। ঙসি ঙসিমক ঐখোয়না হিংলিবা পুন্সি মহিং, লেল্লিবা পুন্সি মরেলশিংসিবু মতম অমগী ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুনা হিংহন্নীংখিবা অমসুং লেনহন্নীংখিবা ঐখোয়গী পুন্সি মরেলশিংদু ওইরম্লদ্রা? ৱাফমশিংসি খল্লুবদা তত্তনা নুংনাংবশিং পোকই। লাইবক থীরিবদি, হৌজিক্কী মতমসিদি শাথীবা ৱাথোকশিংতনা ইরমদমসিদা লীক্লাং পরেংগুম লেংদুনা লৈরবনি। ঐখোয়গী খুন্নাই মায়কৈ মরিমক্তা পোক্মোগী কেসশিংতনা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা লৈখ্রে। শেঙ্গা থুমজা থিংনবগী পান্দমসু ইরমদমসিদা শুপ্নগী মমিংখক্তা ঙাইহৌরে। হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংগী চাওখৎ লম্বেলশিংনা তুংলোমদা অসুম অসুম লৈথরক্লি। ফগৎলকপগী মহুত্তা নোংম নোংমগী ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংগী ঈপাক্তা তাউবা মশীংনা চাদা হুম্ফুতরা-মরিফু য়ৌশিল্লককদৌরি। মসিনি ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা শক্তম। লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুনা য়েংলগা ঐখোয়বু করি খল্লমগদৌরিবনো? মখোয়না ঐখোয়গীদমক খনবীদুনা মাঙজৌননা পাউরৌ-পাউতাক কয়ামরুম পীবিরমদুনা ঐখোয়বু কয়াদা চেকশিন্না শম্বল খাবীরমখ্রবা? মখক্তা নৈনখ্রিবা "চহী য়াঙ্খৈ-থবক য়াঙ্খৈ, চহী হুম্ফু-থবক হুম্ফু' হায়বা পাউরৌসিনসু ঐখোয়বু মতম চেকশিন্না শীজিন্নহন্নবা অমসুং মতমগী মতুংইন্না পুন্সিদা থেংনরককদবা ইশাগী থৌগায়শিংগী ওইবা অচিন-অকোমশিংদা ইশানা নীংহন্নবা পোক্তনবগীদমক মাঙজৌননা পাউতাক পীরম্লি। ফুরুপসিনা মতম অমদা অসুক্কী মতিক নিংথিনা অমসুং চেকশিন্না হিংলম্বা পুন্সি মহিংদু ঙসি-ঙসিমক ওইরিবা ফুরুপসিগী হোংলক্লিবা পুন্সি মহিংসিদদি পূম্নমক উত্তা ঘী হৈবগী ফীভমদা লাকহল্লবরা হায়বগী নুংনাংবসিসু খুন্নাইসিবু চেকশিন্না য়েংশিনবীরিবা অমসুং শেন্নজরিবা খুদিংমক্কী থম্মোয়দসু শোয়দনমক্কী ফাওরমগদ্রসু খল্লি।

লোইশিল্লকপদা, ইরমদম মচাসিদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমকপু মতম-মতমগী ওইনা হোংলকপা পুন্সি ঈচেলশিংনা তোখায় তোখায়বা ঈপাকশিং তম্না খাইদোক্তুনা পুখিগদৌরিবা মীৎকুপশিংদা ঐখোয়গী য়েলহৌঙৈদগী হৌনা কদাইদা শোয়খিগদগে শেন্নবীরকপা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংদুনা করি হায়রম্মী অমসুং করম্বা পাউতাকশিং পীবিরম্মী হায়বদু হেক হেক নীংশিংমিন্নসি হায়বা ৱাফমসি থমজনীংই। পুন্সিগী ঈচেলদা তাওথরকপা মখল মথেলগী কাওশিংশিংনা ঐখোয়বু ৱাহনগদৌবা মীৎকুপ ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা করি হায়রিবগে হায়বদু হেক হেক থিমিন্নবা চুমগনি। ●

# ◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇

## মীতৈ ময়েক্তা চয়েৎনবা লৈতে, অরিবা খূৎই ময়েক্লা ইরম্বা পুয়া পাবা ঙম্নবা মশা-মশানা হোৎনজবনা ফগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ফেব্রুৱারী চৈচেৎ ২০, ২০২৩ নিংথৌকাবা নুমিৎকী পাউচেদা হৌজিক লৈঙাক্লা অমদি কোর্টকী জজমেন্ট ওর্দর য়াওনা চহী লিশাং শিৎনা চৎনরক্লিবা মীতৈ ময়েক অসি চয়েৎনবা মালহনবা মওংদা ইবিরকপা থেংনরকপসি তশেংনা লাইবক থীবা অমনি হায়জনীংই। ঐখোয়না থিজরুবা অমদি অহল লমনশিংনা তাকপীরম্বদগী খঙজবা খরগী মতুংইন্না মীতৈ ময়েক নৎত্রগা মৈতৈ ময়েক হায়বসি ময়েক শকওংদা কা হেন্না খেন্নবা লৈতে। মীতৈ ময়েক্কী খোন্থোক্তা মীওইবগী হকচাং কয়াত্তা মমিং লৌদুনা ইমা লোন্না কোক, শম, লাই হায়না পাদুনা মপূং ময়েক ২৭ শীজিন্নে। মশাগী চৈশিং ময়েক লৈজে। অদুগা মৈতৈ ময়েক হায়না খঙনরিবা ময়েক অসিনা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী সংস্কৃট/দেভনগরীদগী পোকখিবা ময়েক্কী খোন্থোক্লা মান্ননা ক, খ, গ, ঘ, ঙ হায়না ময়েক মঙানা মফৈ ওইরগা পরেং তরেৎনা ময়ুং ওইদুনা ময়েক ৩৫না ওইবগুম্না হায়ফেৎ মান্ননা ই। ময়েক অসিগী মশাগী ওইবা চৈশিং ময়েক থেংনদে। অদুগা চৎনরিবা মীতৈ ময়েক অসি কোর্টনা পীখিবা ৱায়েলদা নত্তনা মণিপুরী য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর, ডোক্টরেট, স্কোলর কয়ানা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ইনখিবা ওফিসল দোক্যুমেন্টশিং অমসুং মপাল লৈবাক য়ুনিভর্সিটিশিংগা মীতৈ ময়েক য়ুনিকোদকী মতাংদা ইনখিবা রেকোর্দ কয়াদগী খঙই মদুদি মীতৈ ময়েক্তা চয়েৎনবা লৈতে। লৈতদুনবু য়ুনিভর্সিটিগী থাক হেন্দোরক্তুনা মীতৈ ময়েক্লা য়ু পি এস সীগী এগজাম ফাওবা ময়েক অসিনা ইননবা হোৎনরক্লিবা অসিদা নত্তনা য়ুনিকোদকী মতেংনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা মীতৈ ময়েক ইবা-পাবা তম্বা হৌনখ্রে হায়জনীংই।

অরিবা খূৎই লাইরিক খরা ইবা পাবা খূৎলোইনবগীদমক অখঙ অহৈশিংদগী লন্নাই ওইনা তান্নহৌবা তমহৌবা কান্নগনি খঞ্জে। লৈঙাক্লা মীয়ামগী লন ওইহৌগদবা অসিগুম্বা খূৎই লাইরিকশিং অসি চৎনরিবা মীতৈ ময়েক্লা লাইরিক ওইনা নমথোকপীদুনা তুংগী মীরোলগীদমক খুদোল তম্বীরম্মু হায়জনীংই। কান্নগদৌরিবসি পুয়াশিং অদুগী মনুংগী মচাকশিং অদুনি ময়েক খক নত্তে। রোমান ময়েক্লা ক্ষ ইবদা কে এস ঐচনা ইবগুম খৌ (খ) গা য়াং (য়) গা অপুন ময়েক ওইনা পুনশিন্নরগা খেত্রিময়ূম ইবা য়াগদ্রা হায়বদু খন্নজনীংই। মীতৈলোন অসি শীজিন্নফমগী অরূম-অয়াঙ মতুংইন্না ৱাহন্থোক (তোনেল) পীবা লোলনি। অয়াংবা খোন্থোক্তা মি-গী ৱাহন্থোক অরূম্বা খোন্থোক্তা মী হায়না শীজিন্নবা য়াই। চৈথারোল কুম্বাবা, নিংথৌরেল লম্বুবা, পোইরৈতোন খুন্থোক, পান্থোইবী খোঙ্গুলনচিংবা পুয়াশিংদা সংস্কৃট বঙ্গালি ৱাহৈ য়াওরম্বা অদুগা খরদনা লমায় মশীংদা বঙ্গালি মশীং শীজিন্নবা, ঐখোয়গী নাৎ পুৱারীগা চান্নদবা, ৱাহৈ ৱাতা থেৎচিল্লম্বা কয়াসিসু য়েংশিনমিন্নবা ফগনি খঞ্জে। অফবা পন্থুং, পান্দম অমগীদমক তরেৎ-তরা থোক্লা খন্ন-নৈনবা হায়বসি পূম্নমক্কী য়াইফবনি হায়জনীংই।

**অদোমগী - সাপম পারী খুমন**

ফোর্মর মেম্বর, এল এস টি বি, ইম্ফাল

## শৌবীং-শৌবীং লাওবনা অয়াম্বা...

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লম্বী শেম্বীদবগী, স্কুল ওজা ৱাৎপগী, মীনা হাৎতোল্লম্বগী মীশি অদুগী মরমদা মীহাৎপা ফাদ্রিবা মখৈ অশিবা হকচাং লৌরোই... ৱাথোক ময়াম অমা থোকখিবা করম্বা মতমদা শান্তি ওইনা চেক-মুক লাওদনা লৈখিদৌরি? বোম লংশিল্লম্বা, নোংমৈনা কাপশিল্লম্বা... মথেল কয়া অমা কৈদৌঙৈ থোক্কদৌরিবনো হায়বগী তং-তাবা খঙদবসিনা লমদমসিদা লৈরিবা প্রজা অয়াম্বা নীংজিং মাংজিংননা হিংবা হায়দুমক ওইরবনি। ফত্তবা মী চঙলক্কনি হায়দুনা লৈবা-লৈতবা থোঙ্গালদদি খরা ফজনা মী চঙবা ঙমদনবা শেম্বা মসিনা অয়াম্বা ওইরবনি। মতম অমদদি ৱানা ওইদুনা মখুল অহুমখক্তমক হুৎলগা লৈনরম্বা খুদিংমক ইয়াও য়াওদবগুম ওইরবনি। পূম্নমকসি করম তৌনা ওল্লকখিবা খঙদ-খঙদনা অদুমক লাল্লম্বনি। অফবা কনানো, ফত্তবা কনানো থিরুবদা ৱাদুনা তোক্কদবতনি। য়াম্না থুনা হুমাং থোক্তনা শেল পায়নীংবা মীওইসিনা মশীং লাকঙমদনা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপা মসিনা মরম ওইরগা থোরক্লিবা মথেল কয়াগী থৌদোক্তা শোয়দনমক্কী কৈশুমশঙ য়ৌরগদবা ঙাক্তে। মসিবু ফৈদা হায়না লৌগদৌরিব্রা? অফবনা মনীংদা লৈরগা ফত্তবনা মমাঙ চখৎতুনা লৈরবা হৌজিক্কী মতমসিদা করমনো তৌগদৌরিবসিবু? শেন্থোক লম্বীদি লৈশিল্লক্তা, লৈনবা হোৎনবদা কদায় কদায়দা করি তৌরিবা মসিসু ফজনা থিবা য়াওদবা নত্তে। য়াইনা-য়াইনা মশীং য়াল্লকপনা লায়না খন্দোক্লুবদা অফবদি ওইগদবা মানশিল্লক্তুবনি। ফজখ্রবা ঐখোয়গী উমং লাই হরাওবা মসি ফাওবা চৎন-কাঙলোন কায়না চথবা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা অমা লৈবনা তেক্তা কাইদনা লৈরিবনি। মসিসু অথিংবা লৈত্রবা মহা প্রলয় ওইদনীংঙাই ওইরোই। মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বনা খ্বাইদগী ফরে খল্লবা হৌজিক্কী মীওই অমা অনীদা নৎত্রবনি। ইনখৎলক্লিবা নুপা-নুপী ফাওবদা মচু মচুগী শমগী মচু, মসিবু করম্বা মমা মপা ওইবশিংনা শমগী ফজবদি অমুবনি হায়না হায়বা করম্বা মফমদা লৈখ্রবগে? মীওইবগী শমসি হৌজিক্কী মতমদদি মচু কয়ানো হায়বা ঙল্লরোইদবনি। তৌবগীবুদি অঙৌবা অমুবা অনীসিদং ওইরবসু অনীংবা অপাম্বনা মশীং হেনগৎলকপা মরম্না ঙসিদি মচু মচুগী শল্লাং কয়া থেংনরবনি। ঙাংবীনবা ৱাৎপদগী মাগী মাগী অপাম্বদা থবক ওইনা চখনরকপা মসিনা কুইরক্লবা মতমদা অফবা হায়বা অদুমা ওইরক্কদবা মান্দ্রবনি। অসুক য়াম্না অমনা অমবু থাজনদবনা খম থেংনরবা মতমসিদা ঐখোয় ঐখোয়না নীংনরিবা লাই ইবুংঙো অদু ফাওবনা চানবীগনি হায়বা থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগনি। হুমাং তাবগা তাদবা মীগা হৌজিক্কী মতমসিদা করম্বনা হেনবগে হায়না কনাগুম্বা অমনা হংবদা করিনা পাউখুম পীগনি? মসিদা চুল্লে হায়না লৌগদৌরিবসি হুমাং তাদবা মীনা মশীং শাথীনা হেল্লবনি, মসিমক অচুম্বা ওইরগনি।

মীওইবনা নুংঙাইবা পাম্নবদগী মথেল কয়া অমগী লায়না লাকপা পূম্নমক উদে খঙদে করম হায়গনি। তাহৈদবা-উহৈদবা মথেল কয়া অমা লেপ্পা লৈতনা তাথবদি লায়রদুনা থোইনদুম হেনগৎলক্লি। মতম অমগী থাঙ, শীংজং মচাগী মহুত্তা নোংমৈনা...। অসুক য়াম্না হোংলবা নোংমৈগী মথেল হোংবা ঙমদনা অদুমক মরৈরবা কনানা কনানো ৱাখল তাদবা হায়বদুমা ওইদৌরবনি। কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানি জন্ম, য়াওশঙগী অঙাংশিংনা খাইরকপা নাকথেংদা ফংলকপা শেলদুনা নোংমৈ লৈদুনা হরাওনা পাম্না পাম্না শান্নরকপা পূম্নমক হৌরকপদা নোংমৈনা লাইমিং লৌরবনিনা খরা খিৎ চাওরকপদা... হৈনবা শিনফম হায়বসি খক থাদোকপা য়াবা নত্তে। চহী অমগী ওইনা অঙাংশিংনা পাম্না লৈনরিবা গন টৈইগী নোংমৈ লৈবদা লুপাবু ওন্থোক্লা য়াল্লল্লগনি। পূম্নমক মপানলোমদগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। ইরমদম লমদমসিদা শাবা অমত্তবু য়াওদবনি। শুনীংদনা নুংঙাইবা পাম্বসিদি পোলোইদা লায়র তান্নবা হোৎনজবনি। নুংঙাইববু পাল্লবা অৱাবা হায়বসিমা শোয়দ্রবা লাইৱানি। হৌজিক্কী মতমদা কৈরোই লৈকায়দা চাকনি ফিনিবা ইরৈ লৈতবা ওইনা উরবনি। মতম অমগী মওংদুগা খরদি খেন্নরবনি। মসিনা তাকপদি য়ামদ্রবদা খরদি শেল থুমদা মরাং কায়রে তাকপনি। লৈকায় অমদা খুল অমদা অশি অনা থোল্লবা খঙনবা-খঙনদবা শিরিবা মীওইদু নুপী ওইরগনা ঐগীদি খঙনবনি। থোইনা হেন্না নুংশিননা মীকৌ মীরম তৌনরিবনি। নুপা ওইরগনা চহী খরা লৈখৎপা ওইরগা ইয়াম্বদু হিংলিঙৈগী মতমদা ঐবু ওন্থোক্লা পোক্তা পোকমিন্নবা মনাওদৌনা নুংশিনা তৌবীবনি। মসিগী ফজখ্রবা ৱাহৈসিদা মাগী শ্রাদ্ধ কর্ম্মগী শোয়দনমক্কী ভাবোক ফম্বা মসিমা শোয়দ্রবনি। ভাবোক ফম্নবগী মন্ত্রবু হৈরবা নমদনা ফমদনীংঙাই লৈরোই। ফম্না-ফম্না শেল তানবা হায়বা অমা করিনো ? হংবদা অতৈ অমা লৈত্রবনি।

য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা পোৎয়েং শেল লৌদ্রবা শোরাৎ, ফিরোই, লুহোংবা... মসিমা ঈশৈ শকপা-শকপী মখোয়শিংগীদমক্তদি অপাৎপদা অহিং থাজিনবা হায়দুমক থোল্লবনি। শৈশকপা, শৈশকপীদবু শেল থারবা চিথ-নান্থবা খরা য়াওরবসু ভাবোক্তসু থারদবনি। ভাবোক ওইবা ফংনবা ঙন্না লাক্তুনা... মসিসু ঙম্নমক য়াওনরবনি। লুহোংবদা ভাবোক ওইবনি হায়দুনা ওইরগা নুপা ময়ূমদা কৈন্যা থিনবা য়াওদবা ভাবোক, মসিমা তৌদবা খ্বাইদগী ফরবনি। ভাবোক ওইরবদি থিনবসু য়াওগদবনি। য়াওরোইদবা ওইরগনা ভাবোক ওইবা তোক্কদবনি। মসিগী ৱাখলসিমা ইয়াও য়াওনদবগুম্বা অমা লৈরিবনি। লৈকায়দা, খুলদা ভাবোক্তা মমিং লৈবা মসিসু অদুমক ময়াওবনি। অহল ওইরবা চহী য়াল্লবা মীওইনা ভাবোক ওইগদবনি হায়বা মসিমা ইরৈ লৈনরি। চহী হুম্ফুগী মথক্তা লৈবা মীওইসু ভাবোক ওইবদা কায়দব্রা খল্লি। মসিসু অনৌবা চহী লাকপসিদা হৌদোকপা য়ারবনি। ঐখোয়না শেমজবা ঙাক্তনি। কনানসু শেম্বা অমত্তা নত্তে। শেমদোক শেমজিনদা ইকোন কোনবদা কহামাং খুজাই কাই হায়বগী থৌদোক লাকপসু কনানা খঙবা। অশোয়-অশোয়বা ময়ামসিনা লোইনা অসুমক চৎনখিবনা চুমথোকপদা খরা ৱানা থোক্কদবা মাল্লবনি। হিংলিবা মী মরকসিদগী ইকায় খঙদবা মীগী মশীং ওন্থোক্লা য়াল্লক্লে। ইকায়ববু খঙদ্রবা তৌবা ঙমদবা লৈতে। শুমাং কুম্মৈদা নত্তনা লম্বী সরক্তা লৈজবী থাদনা কেনরগা নুপানা নুপী শাদুনা নুপী ওইবীশিংগী ওইবা খেন্নবা লৈতনা ইকায়বা মচেৎ অমত্তা য়াওদনা... মসিবু করম তৌদৌরিবনো? মতম অমদা মসিগুম্বসিবু লৈরম্লনে? ফজবা ৱাৎলি। নুপী ওইবী মশেল তিন্নগদবা অদু ফাওবা নুপী মানবা নুপাগা লুনা চান্না তিন্নরকপা মসিসু হেনগৎলক্লিবনি। করিগুম্বা মতমদা মখোয় অনী ফাওবা য়ূমলেপ চার তম্বসু য়াওরিবনি। লম্বী শেম্বা অমসুং স্কুলগী ওজা ৱাৎপদি ঐখোয় ঐখোয়গী মীহুৎ অদুদা ৱাকৎপনা কেন্দ্রদুগী তৌদবা য়াদ্রবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। বন্দ তৌবা, লম্বী তৌখাইবা পূম্নমক মুন্না খন্থরুরবদি অফবা নত্তে। লৈঙাকসিসু মথেল ময়ামসিদা কোক শোয়দনা শারমদৌরিবনি।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***

***খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল***